ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯏꯔꯥꯢ, ꯃꯦ ꯰꯷, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯴꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, মে ০৭, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ৪১শুবা মশীং

# মশাগা চান্নদবা থবক

## মসিনদি অফবা ওইরক্লোই, মাঙহনবনা হেল্লক্কনি

মীওইবনা পাঙথোক্লরিবা, তৌরিবা থবক পূম্নমক লম্‌দুদা হৈ-শিংবা, মমুৎ তানা খঙবা চঙই। মসিদা নত্তে, থবক্তুদা মায়পুনবা, অচেৎপা ফিরেপ, পুকচেল শেংবা, শিনফমদুদা মায় পাল্লবা মীওই অমা ওইরক্লবা হোৎননীংবা, হোৎনবগীসু তঙাইফদবা লৈহনগদবনি। মতমদুখক্তদা মীওই অদু মহাক্কী শিনফম অদুদা মায় পাক্কদৌরিবনি। মহাক্লা তৌরিবা শিনফমদুগী অফবা মহয়সু মীয়াম্না ফংগনি। মদুনা মীয়াম অদুনা লৈরিবা লমদম অদু চাওখৎপা, ৱাত্ত-পাদবা লমদম অমা ওইহল্লক্কদৌরিবনি। মসি ওইহল্লকপা ঙল্লগদি অচুম্বা, অশেংবা মীওই অদুগী মচৎনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইহনগদৌরিবনি। মরম অদুনা মীওইবা অমনা মহাক্লা তৌগদৌরিবা শিনফম, পায়গদবা থবক অদু করম্বা ওইগদগে হায়বসিসু থবক্তুদা খোঙ থাংজিন্দ্রিঙৈ, খূৎমাদ্রিঙৈদা তরেৎ-তরা থোক্লা খলহৌগদবনি। হায়রিবা ৱাফমসি অকক্লবা শিনফম নৎত্রগা মীওই অমখক্কী ৱাফম নত্তে। লৈরিবা, হিংলিবা অমসুং হিংনবগীদমক্তসু শুরি-নোল্লিবা, হোৎননরিবা মীওই পূম্নমক্কী ওইবা ৱাফমনি। মীদিয়া ফ্রেটর্নিটিদা ওইরবসু অদু মঙাই। প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা মসিগী তোঙান-তোঙানবা কম্পোনেন্টশিংগী অকক্লবা সেক্সন অমদা মঙোন্দা এনটাইটল তৌবা থবক্তুদা মহাক এক্সপর্ট ওইগদবনি, মায়পুনবা ঙমগদৌবনি। থবক্তুদবু পামজরবা, পূক্লিংবু চঙলবদি হান্না এক্সপর্ট ওইরমদ্রবসু তপ্না-তপ্না ওইরক্কনি। কনাসু হৈনা-শিংনা, এক্সপর্ট ওইনা পোল্লকপা, হৌরকপা য়াওদে। মথৌ তারিবসি অচেৎপা ফিরেপ (ফর্ম দিটরমিনেসন) অমা মশাদা লৈবদুনি তঙাইফদ্রিবসি। হায়রিবা বেসিক ওইবা মচাকশিং অসিদি য়াওদনা শিনফমদু পায়রগা মীনা হন্থনা য়েংবীরোই, মশাগী হিংনবগী পান্থে অমসু ওইরনি হায়দুনা নম্ফুদা তৌশিল্লক্লগদি মহাক মশাগীদি হিংনবগী পান্থে অমদি ওইখিবা য়াই। অদুবু মঙোন্দগী থোরক্কদবা অকক্লবা থবক্তুগী কন্ত্রিব্যুসনদি ফংলোই। অদুগুম্বা মীওইদুদা ঙাঙলুবা, চৈরুবা পূম্নমক কান্নরোই। নুঙদা ঈশিং চাইবগুম থোক্কনি। অহোয়নদুম মহাক্কী মায়কৈদগী জগোয় হৈত্রগা মাঙ্গোলদা তাইনৈ হায়বরোমদা মরী লৈনদবা পাউখুমশিং খুল্লক্কনি। হায়রিবা ফীভমসি অকক্লবা শিনফম অমখক্তগী ৱাফম নত্তে। হৌজিক লৈরিবা শুনরিবা, নোম্নরিবা, হোৎননরিবা শিনফম পূম্নমক্কী ওইবা ৱাফমনি। অতোপ্পা মায়কৈদা খরা পাকথোক চাউথোক্লা য়েংলুরগনা হৌজিক মথংগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লকপসিদা মশানা মশাবু সোসল ৱার্করনি হায়জবা, মীয়ামগী পাউখোল্লোই ওইজগে, লৈবাক্কী চাওখৎনবা তৌজগে, ইশাগী ওইজবা পূম্নমক থাদোকচরগা মীয়ামগীদমক কথোকচরগে হায়বা মীওই কয়া'মা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অয়াম্বদা শৌগ্রি য়ুংবদৌনা চোংথোক্লরক্লিবসিনি। মসি ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লক্লগা অমুক হেনগৎলকখিগনি। মসি হায় হায়দুনা মীখলদা মীরেপ ওইবদা চহী অসুক্তগী তাদনা চেন চোংলক্ত্রবদি ওইবা য়াদে হায়বা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চৎন-কাঙলোন লৈ হায়বা নত্তে। অসিগুম্বা মখলগী অথিংবা ঈ সী আইগী ওইনা লৈতে। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অদুগী নোমিনেসন পেপর ফাইল তৌবা য়াবগী পীরিবা নুমিৎ মশীং অদুগী মনুংদা হেক্তা চোংশিল্লক্তুনা মীরেপ চে পীশিল্লকপা য়াই। মহাক্কী মীরেপ চে অদুনবু দিফেক্ট লৈত্রবদি, মদুগী পাঙথোক্কদৌরিবা স্ক্রুটিনিনবু অয়াবা পীরবদি মহাক অদুম্মক মীরেপ ওইবা য়ারে। মহাকপু অকক্লবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অদুগী অয়াম্বা ভোটরশিংনা ভোট পীরকপা পীরক্তবা হায়বদুনা মীয়ামগী অপাম্বগী মখা পোনবনি। অদুবু জে সী বি অমা/অনী পুথোক্লগা খোংবান তৌখৎলকপা, ঈরম-খোংলম শেংগৎলকপা, ঈশিং য়েনখৎলকপা, হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্নরিবগী হৌনবা কন্টেনমেন্ট জোনশিং লাউথোক্লরকপদগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরক্লবশিংদা কোবি-আলু, হৱাই, চেঙৱাই, চেঙ য়েল্লম্বদগী হেন্দোরক্তুনা চাকচা-হৈজানবা তৌহল্লক্লগা মীয়ামগী লো মেকিং বোদি অমা ওইরিবা ৱাংলবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর অমগী ফম্ফমদা হেক্তা চোংখৎলগা ফল্লগনি হায়দুনা হোৎননরক্লিবা থৌওংশিং অসিবু চুম্লব্রা হায়বনি। মীয়ামগী য়াইফনবা তৌবা, লৈবাক্কী থৌগল তৌবা ফংনবগীদমক পোলিটিক্সতা খোঙদারকপা হায়বসি ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইদ্রবদি, মীখলদা মায় পাল্লক্ত্রবদি য়াদে হায়না খনবদগী তৌরিব্রা? মহাক মশা শেল পায়বা নৎত্রগা পায়দবা, এদ্যুকেসনেল ক্বালিফিকেসন ৱাংবা, নেম্বা থোইদোক্তে। মশাদা লৈবা মীয়ামগীদমক খনবা অচেৎপা দিটরমেসন, মশাগী আইদিওলোজি অদুগী মখা পোনগদবনি। সনা শারম্লগা, কন্ট্রেক্টর ওইরম্লগা নৎত্রগনা অতোপ্পা শেন্দোং লৈবা থবকশিং খূৎপায়নরম্বদগী শেলয়াম খরগী মপু ওইরক্লগা ভোট লেপ্পগনি হায়দুনা চোংথোরকপা অদুবুদি হৌজিক শিৎলিবা লৈবাকসিগী দেমোক্রেসিগী নুংশিৎ অসিনা ওইহল্লক্লম্বদি য়াই অদুবু মসিনা মরম ওইরগদি মহাক্লা মীহুৎ ওইরক্লগসু তুং কোইরোই। লৈরিবা লৈবাকসিগী ফীভমসি হেন্না লূবা কোম অমদা পুথহল্লক্কনি। মনাৎ নত্তনা শঙ্গোম চাবা ওইনা থোক্তুনা নহানা মায়বা শারগা মঙ থল্লি হায়বদুগী ফীভমদা তাহল্লক্কনি। মরমশিং অসিনা পোলিটিক্সিয়ন অমা ওইবগীবু ওইরো নৎত্রগা য়ামখ্রবা শিনফমশিং অসিগী মনুংদগী অমদা খোঙদারক্তুনা খূৎপায়নরকপবু ওইরো মদুদা এক্সপর্ট ওইবা, অচেৎপা ফিরেপ লৈবা, ইন্টিগ্রিটিগা লোয়ননা কথোকপা অমা য়াওনা থবক তৌবা চংই। মসিগীদমক্তা অঙাংদি নীংথাদগী খঙই হায়নরকপা ৱাফম লৈরিবনি। ৱাফমসি হৌজিক ফাওবদা য়ুনিভর্সেল ত্রুঠ ওইদুনসু লৈরিবনি। হায়রিবা ফীভমসিদা মায়পুনবা ঙল্লোইদৌবা ওইরগদি মখা তানা চংশিন্দ্রিঙৈ, নৌরিঙৈদা তোকহৌবনা চুমগনি। লৈবাকসিগী নৎত্রগা মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা থোইদোক-হেন্দোকপা মীওইশিংগী মরক্তসু মশাগা চানরোইদৌবা শিনফমদগী অনৌবা চানগদবা, মশানা মাষ্টর তৌবা ঙমগদবা শিনফমদা হোংদোল্লগা মদুদা 'জেনিয়স' ওইরকপা ময়াম য়াওই। মসি নৎত্রগদি মনাম লৈবা শিনফমসু পাম্বা, মদু খূৎপায়নবগী তঙাইফদবা ক্বালিটিশিংগী মপুসু ওইবা ঙমদ্রগদি লম্বোইবদা শমচেৎ পীবগী থৌওং তারক্কনি হায়বসি মশা-মশানসু খঙজগদবনি। ইশাগী ফীভম ইশা ইশানা খঙজগদবনি। মসিনা লৈবাক মীয়াম পূম্নমক্কীসু য়াইফবা ওইগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৭

১) "মণিপুরী লোকসাহিত্য" হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

২) "পুনুং ঈশম ফোয়না/চামলৌ লাচেন্নরুসি হায়রবদা/হাইনু তেরা লৌথিবী/শাইগং পোলিবী য়েন্নখাপাউতাবীনা/খোয়নৌ ইতা ও/খোইনাইওন্বা চনু ও/থোংনাং ময়াং চীং,/ময়াং কপনীং চীং,/লিন্দু য়াঙতেক চীং,/কৈরাউ খাদা পানবা/চামলৌ লাবু কদৌনশিগে?" শৈরেং মতেক অসি করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৩) "নোংখোঙ তম্না" হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৪) "হল্লকখিগনি অমুক তোর্ব্বানসিদা" হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করিদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫) "ইমানা শিরমদাইদা/শিন্নরম্বা বোম অমা/শেন্নরি ঐনা কন্না/কনা খঙদনবা,/কনা উদনবা।" শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মীয়াম্না কোরোনাগী ভেক্সিন কাপ্পা করি মরমদগী অকিবা ফাওখিবনো

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

ভেক্সিন কাপ্পা হৌরকপা মতমদুদা কাপ্পল্লবদি কোরোনাগী অনীশুবা থাক য়ৌরকপসিদা খরমখৈদি মীশি-মীনা হন্থরম্বসু য়াই হায়না মীয়াম্না খন্নবা হৌরে। মদু ৱাখলদা খন্নরকপদুননি হৌজিক ভেক্সিন কাপ্পা ফংহৌনবা কোয়চেন চেন্নরিবসিনি। তায়োন্নরে তাইবঙপাল হায়বদুমক চুল্লে ঙসিদি। হৌরকপা মতমদুদদি তঙাইফদনা কাপ্তুবা য়াদবা মীওই খরখক্তমক ভেক্সিন কাপখি। মীয়াম্না হেন্না খঙনৈ ভেক্সিন কাপ্লিবা মীওইশিং অদুসু ভেক্সিন কাপখ্রবা মতুংদা করি সাইদ ইফেক্ট থোক্লক্কদগে হায়না য়াম্না কিনা চিংন-চিংননা কাপ্তুবা য়াদবগী কাপখিবনি। কাপ্তুবা য়াদে হায়বা মীওইশিংদু নত্তবা মীওইশিংদি ভেক্সিনদু কাপখিদ্রে। তৌবগীবুদি কাপ্তুবা য়াদে হায়বসি মীওই পূম্নমকনি। অরুবা অনা-অয়েক য়াওবা মীওইশিং অদুনা তোঙানবা ৱাফম অমনি।

শিবা কিবদগী ভেক্সিন কাপহৌদ্রে। ভেক্সিন পনবা য়াদ্রে খোইদৌ শাউগৎনৈ। লৈঙাক্লা নমদুনা কাপ্পবা হোৎনবগী মওং অমদৌনা মীওই অয়াম্বনা ৱাখলদা থম্লে। লৈঙাক্লা ঙম্মী মতাগুম চপ-চানা মগুন খঙদ্রিবা অতেনবা মতমদা শাবা ভেক্সিন অমা মীয়ামদা কাপ্পবা হোৎনৈ হায়বসিনি। মদুমক্তি নত্তে। অয়াম্বা মীওইনা পাখৎনরবসু মীওই খরদি মশানা য়ানীংনা ভেক্সিন অদু কাপখি। মদু মশা ঙাকথোকপা ঙম্লবনি কোরোনাগী তমথীরবা লাইচৎ অসিদগী। অদুগুম্বা মীওইশিং অদু অশিংবা মীওইশিংনি হায়না লৌবসু য়ারে হৌজিক্তি। ভেক্সিন কাপ্পা হৌরকপা মতম অদুদা মীওইশিং অদু অপঙ থৌনানি হায়নরল্লবসু/খন্নরল্লবসু ঙসিদি তুংগী ৱাখল খনবা ঙম্বা মীওই ওইনা খন্নরে। মখোয়শিং অদুদি ঙসিদি ভেক্সিনগী অনীশুবা হীদাক দোজ ফাওবা কাপ্লখ্রে। অদুগা অমরোমদনা পাখৎচাউবা মীওইশিং হায়গদ্রা, শিনীংদবা মীওইশিং হায়গদ্রা নৎত্রগা মীৱা কয়া লৌগনদবা হে তোংবা মীওইশিং হায়গদ্রা মখোয়শিং অদুনা অহানবা ভেক্সিন দোজ কাপ্পা ফংনবা হৌজিক্তি খা রায় খঙদবমখৈ কোয়চেন চেল্লে। অহিং য়ারেকপা য়াওনরে। অয়ূক ঙন্তাদগী ঙাইবা হৌনরে। লম খরা হাইদোকখিবা মফমদা হাংবা হীদাক কাপফমশিংদা লম লাপ্পা চৎনরে। মফমদুদসু অমুক মী চিনবগী চাং ৱাংলে হায়বদি ফুট তরুক্কী মী অমগা মী অমগা অরাপ্পা থম্মু হায়বদুমদি থুগাইরে। ভেক্সিন কাপ্পা ফংনবা হোৎনবদা মী য়াম্না চিনবা মফমদা চঙগনু হায়বদুমদি কাউথোক্লখ্রে। মীওই কয়া অমদি মশা চেকশিল্লিবনি হায়দুনা নহানমখৈদি ময়ূমদগী মপাল থোক্তনা মী য়াম্না চিনবা মফমদা চৎত্রিবনি। মদুগী মহয় অদুদি ফংদ্রে, কান্নদ্রে। ভেক্সিন কাপ্লুরগা শিরনি হায়না নহানমখৈ নাথৈদুনা মৈ, ঈশিং চঙদবমখৈ লৈনরুবা মীওইশিং অদুনি ঙসিদি ভেক্সিন কাপ্লগা হিংলনি খন্দুনা কোয়চেন চেন্নরিবনি। ভেক্সিন কাপ্পা হৌরকপা মতমদুদা মশাগী মথৌ চিনবদগী কাপ্পা ঙমখিদবদি নত্তে। লোৎতুনা লৈবগা পাঙ্খকনি হায়বমক য়াই। হীদাক কাপফমদনা মী লাকপিদদুনা ইহাঙ হাঙলিবনি। চঙলুবদা শিরনি হায়নরম্বা মফমদুদা থৱায় হিংনবা চৎলুরসি মসিনি। কুম্মৈদি য়েংবা নুংঙাইরে। মশা মশাগী এম এল এশিংনা ভেক্সিন কাপ্লবগী থবক পায়খৎত্রবদি ৱারৌনবগী ফীভম ফাওবা লাকপা য়ারি। করি হায়গদবনো খঙদ্রে মসিগী থাক অসি য়ৌশিল্লক্লবদি।

অমেরিকা য়াওনা লৈবাক কয়াদি ভেক্সিন পাকশন্না কাপথোকখ্রে। কোরোনাগী অনীশুবা ৱেভ অসিনা কা হেন্না শাথীবা ফীভম লাকপা থেংনদ্রে। মখা তানসু মীয়ামদা ভেক্সিন কাপখিগনি হায়রি। লাইচৎ অসি নমথবা ঙম্লবা কন্না হোৎনরি। য়েংবা য়ারিবদি অমেরিকা মচাসু মীনি ইন্দিয়াদা লৈরিসিসু মীনি। মীগী মী ঙাক্তনি, থৱায় পানবা মী ঙাক্তনি। অদুবু খেন্নবা লৈরিবসি ৱাখল তাবা হেনবা অমদি ৱাৎপা অদুনি। শম্লা হায়রবদা অমেরিকাগী মীয়াম্না ৱাখল মুন্না খন্থবা হেল্লি, মখোয়গী লৈঙাক্লা হায়বদা থাজবা থম্মী। অদুনবু লৈঙাক্লা ভেক্সিন কাপ্পবা হায়বদা য়াদুনা কাপ্লিবনি। অদুগীদমক ৱাথোক লান্থোক থোক্লদে। সাইদ ইফেক্ট থোক্কনি, মীশি-মীনা য়াওগনি, ঐখোয়দি কাপ্পা ঙল্লোই হায়বনচিংবা হায়দে। লৈঙাক্লা কোরোনাদগী হিংনবা ভেক্সিন কাপ্পবা থবক লৌখৎলকপদা অদুম কাপ্লে। সাইদ ইফেক্ট থোক্কনি, মীশি-মীনা য়াওনি কাপকনু হায়বা পোলিটিকেল পার্টি, সোসল ৱার্কর, মীওইশিংনা মীয়ামদা কিগদবা, পাখৎকদবা ৱাঙাঙ শাঙাঙ তৌবা লৈতে। মদুনবু অমেরিকাগী মীয়ামদুনা পাক্তক্লনা ভেক্সিন কাপখিবনি। অমরোমদনা ইন্দিয়াদদি পোলিটিকেল পার্টি মরু ওইনা ওপোজিসন্দা লৈবা পার্টি কয়ানা ভেকিসন অদু মগুন য়াওদবনি হায়নবা হৌরকই। মদু কাপ্লুবদা অদু ওইনি, অদা ওইনি, হেক্তা হায়বা হৌরকই। প্রাইম মিনিষ্টর হান্না কাপ্পু অদুগা মীয়াম কাপহনগদবনি, মিনিষ্টরশিং, রুলিং পার্টিগী মেম্বরশিং হান্না কাপ্পু অদুগা অতৈদা কোন্না কাপকদবনি হায়না প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা লৈঙাক কুইনা পায়রল্লগা য়াম্না মমিং লৈরবা, লিরবা পোলিটিকেল পার্টিনা হায়বা হৌরকই। অদুদগীদি অতৈ পার্টিগী লুচিংবা কয়ানসু ৱা ঙাঙবা হৌরকই। মমিং লৈরবা সোসল ৱার্কর কয়াসু ৱাফম অদু ঙাঙলিবনি। অদুগুম্বা পার্টিশিং, মীওইশিং অদুগী মমিং-মথা পল্লুবগী করি কান্ননি, মীয়াম্না লোয়না উবা ফংখ্রবা, তাখ্রবা ঙাক্তনি। মখোয় ময়ামগী অদুগুম্বা ৱাফম কয়া অদুনা মীচম মীয়ামগী থম্মোয়দা অকিবা অমা ফাওহনখি। ভেক্সিন অদু কাপ্পা কিহনখি। মমিং পনবা য়াখিদে। কোরোনা লাইচৎতগী খরমখৈ ঙাকথোকপা ঙম্লবনি হায়বা থাজবা ঙমখিদে। ভেক্সিন অদুনা লাইচৎ অদুদা মতেংবু পাংবা ওইনা থোক্লে হায়বগী ৱাখল ফাওবা মীয়ামদা ফাওনখিদবা নত্তে। লৈবাক্কী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর, মিনিষ্টর, এম পি, এম এল এশিংনা ভেক্সিন কাপখ্রবসু মীয়ামদি অকিবা অদুদগী নাম্থোক্তুনা থোল্লকউ হায়বা পাক্লা য়াখিদে।

মদুগুম্বা ৱাফম কয়াদুবু মৱা লৌদবা মীওই কয়া ভেক্সিন কাপখিদবদি নত্তে, কাপখি। অদুবু লৈবাক অসিগী য়ামখ্রবা মীয়াম অমগী শরুক চাম্মগী মনুংদা শরুক অয়াম্বদি অকিবা/চিংনবা ফাউবদগী কাপ্লখিদে। অদুনদি অদুগুম্বা পার্টি, সোসল ৱার্করশিং অদুগী ৱাফমশিং অদু মীয়াম্বু কোরোনা লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা নৎত্রে হায়বসিমদি য়াম্না শেংলে। মদুদি পোলিটিকেল পার্টি মখোয় মশেল খেন্নবা ৱাফম, মশাগী খুদোংচাবতা য়েংবা, লৈঙাক চুপ্পি পায়বা য়ানবা, খুদোংচাবা লৌরগা ভোট ফংনবা হোৎনবা, ভোটর ওইরিবা মীচম মীয়ামগী মমিৎতা উ চায়বনি হায়বসিদা থোইদোক্লা লানগনি হায়বা থাজদে। অদুবু ঙসিদি কোরোনাগী তমথীরবা সেকেন্দ স্ট্রেন লাল্লবা তাঞ্জা অসিদদি জাৎ-জাৎকী ৱা ঙাঙলম্বা মীওইশিং অদু ভেকিসন কাপ্লে। ইকায়ফম থোকপনি। লিলনা মখুল চঙলমদাইদা মশাদু চুমদ্রিং চুমথোল্লককই হায়নবগুম চিরবা তাঞ্জা অসিদা মখোয়সু ভেক্সিন কাপ্পা হৌরকপসি ফৈ হায়নীংই। লৈবাক, মীয়াম শোকপা য়াবা মওংদা পোলিটিক্স তৌবা চুমদে হায়বসি মতম চূপ্পদা কাউহন্নীংদে। মদুনা লৈবাক অদু কাং খোং চাইবা য়ারিবনি। ভেক্সিন অদু ফত্তে হায়রবদি করিগী ঙসিদি কাপ্লিবগে, মথ্বায় হিংননবা হায়বা ৱাহং অমা থোল্লক্ত্রা? লৈবাক অসিদা শাবা ভেক্সিন অদু বাংলাদেশ, শ্রী লঙ্কা, নেপাল, ব্রাজিল, অরব লৈবাকশিংদসু পীখি। লমদম অদুগী মীয়াম্নদি য়াম্না পাম্না ভেক্সিন অদু কাপখি। বাংলাদেশতা লৈখ্রবা মীতৈ মচাশিংনা ভেক্সিন অদু কাপ্পগী ফোটো কয়া সোসল মীদিয়াদা হরাওনা থাগৎনরকপা উবা ফংখি। মদু কোরোনাদগী খরমখৈ নাম্থোকপা ঙল্লগনি হায়বগী ৱাফমনি। লৈবাক অসিদগী হেন্না শোত্থরিবা লৈবাকশিং অদুদা লৈবা মীয়াম অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিং অদুনা হেন্না খুমাঙ চাওশিনখ্রে হায়বা য়াই। ভেক্সিন কাপ্পদা মাঙজিল থাখ্রে ভেক্সিন পুথোক্লিবা ঐখোয়দগী। অদুনা মীশি মীনাগী চাং হন্থরকপা তাবনি। লমদমসিদনা শিবা নাবগী চাং শাথীনা ৱাংদুনা লৈরে ভেক্সিন শাবা ঙল্লবসু। অদুগুম্বা লৈবাক ময়ামদুগী মীয়াম অদু অপঙবরা? পোলিটিকেল পার্টিশিং অদু পোলিটিক্স তৌবা হৈতবগীরা নৎত্রগা মখোয়-মখোয়গী লৈঙাক অদু থাজবগীরা? ভেক্সিন পুথোক্লিবা ইন্দিয়াবু থাজবগীরা? অমরোমদনা লমদমসিদা লৈরিবা পূম্নমক অমনা অমবু চিংথনবা হোৎনরবরা নৎত্রগা য়াইফনবা থবক তৌরকপদা শৌগৎপা হৈবগী লিচৎ-শাজৎ লৈত্রবরা হায়বা ৱাহং অমা থোল্লককই।

অদুগুম্বা ৱাঙাঙশিং অদুনা ভেক্সিন শাবদা য়াওরিবা অখঙ অহৈ কয়া অদুবু থাজবা ঙমদবা মওং অমদা লাকহল্লি। মী শিনবা শাবা ভেক্সিন ওইনা উহল্লি। মদুবু তৌফম থোকপ্রনে? মদুনা অচুম্বা ওইরবদি মখোয়বু হিংগদ্রা? মীয়ামসু পাক্তক্লনা শিগনি মখোয়সু শিগনি। লৈবাক অসি তুম্না মাঙগনি। অদুগুম্না তৌগদবা লৈরবদি ভেক্সিন শাবা লোইদ্রিঙৈদা শোয়দনা খঙবা মী য়াওরক্কনি। লৈঙাক খঙলক্তবা য়ারোই। ভেক্সিন অদু মীওই অমা/অনীনা মখোয়গী অপাম্বদা শাবা য়াবা নত্তে। অখঙ-অহৈ ময়াম অমা পূনশিল্লগা শোয়ররোই হায়বগী থাজবা লৈরবা মতমদা লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরগা শারিবনি। মদুসু তাঙ্কক কয়া থোক্লা অখঙ অহৈশিংনা কূপ্পা য়েংলিবনি। য়াম্না চাওখৎলবা মতম অসিদা লৈবাক অমগী য়ামখ্রবা মীয়াম্বু শিবা য়াবা ভেক্সিন শাবা ঙমগদবা মীওই লৈরোইদা লৈবাক মচাশা। লৈবাক অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অসিগী মশীং অসিসু কা হেন্না য়ামনখ্রে। দেমোক্রেসিগী মওং অসিসু করিগুম্বা থাক অমদা য়েংশিনবা চুম্লোইদ্রা? হায়নীংবা, ঙাঙনীংবা ৱা হায়বা য়াবা ফ্রীদম ওফ স্পিচ অসিসু মসিগী অচুম্বা অশেংবা মায়কৈদা চৎলিব্রা হায়বসিসু য়েংশিনবা য়াই। মসিবু পার্টি নৎত্রগা মীওই কয়ানা খুদোংচাবা লৌরব্রা। অফবা হ্যুমেন রাইট অসিনা করিগুম্বা মতমদা লৈবাক অসিদা মাঙনবগী লম্বী ফাৎলব্রা? করিগুম্বা মীয়াম্না মতম চানা ভেক্সিন লৈবাক কয়াদা কাপখিবগুম্না কাপ্লল্লবদি সেকেন্দ স্ট্রেন্দগী ওইরক্লিবা অকিবা ফীভম অসিদগী খরদসু হন্থরম্বসু য়ারিবনি। ঙসি খাঙেনফম য়ৌরবা মতমসিদা ভেক্সিন কাপ্পবা কোয়চেন চেল্লিবসিসু খরতা ওইরবসু অকিবা ফীভমসিদগী হন্থরক্লবা নৎত্রা? মীয়ামদা অকিবা ফাওহনখিবগীদমক ইনক্বারি কম্মিসন অমা শেমদুনা কূপ্পা থিজিনবা চুমগনি খল্লি। মরাল লৈবশিংসু মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্নীংই। ●

# ফীভমসিদা পেল্লমগদবা ইন্দিয়ানবু কনানো?

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

কোরোনাভাইরস হায়বা লায়নাসি নারবসু বেরানি, নাদ্রবসু বেরানি, ফরবসু মখা তানা বেরাদি অদুম্মক লৈখিগনি। ফরক্লবা মতুং থা তরুক ফাওবগী মনুংদা হকচাংগী ফীভম অসুক্কী মতিক চেকশিন্নীংঙাই ওই হায়বসি মেদিকেল রির্সচরশিংনা কয়ারক হন্না হায়খ্রবনি। সিদসু নৎত্রি, জাৎ-জাৎ ময়াম অমসু হায়নরি। ফরক্লগসু তুংদা শিবা য়াবগী চান্স য়াম্না লৈগল্লি। লায়নাসিনা অমুক্তংবু নাখ্রবদি হকচাংগী কয়াৎ পূম্নমক শোচিন্দুনা লৈহৌই। অসিনচিংবা কয়ামরুমসু ঙাঙনরি। নাদবশিংগীসু, লায়নাসিনা নাদনবা ভেক্সিন কাপথোক্লবা হোৎনবদা হৌজিক্তি অসুক্কী মতিক অৱাবগী মশক ওইনরে। অমুক কাপ্পনসু লোইবা নৎত্রি, দোজ অনীদি শোয়দনা কাপকদবনি। কাপ্লুরগসু, কাপ্লুরবা মতুংদা, ফৈগা ফত্তেগা, কান্নৈগা কান্নদেগা, কাঙবু অমনদি পুন্সি ককশিল্লিবু হায়নবসু য়াওরি, মহানি। অদুবু, ফনা ওইদুনসু ভেক্সিনসি কাপথোকহৌবনদি ফব্রা খল্লি। লৈঙাক্লসু শোয়দনা কাপথোকহৌনবগীদমক অকনবা ইন্সত্রক্সন পীরি। ভেক্সিনসি কাপথোকহৌরগদি কোরোনাভাইরসকী মহীক্লা চঙলমদাইদা অমদি তঙাইফদনা চঙখিবা তারগসু হকচাং শোকচিনবগী চাংদি খরা মখৈ হন্থহল্লি হায়নরি। কাপ্লবা মতুংদা, কাপখিবা ভেক্সিন্দুগা মরী লৈননা এদভাইসশিং অমদি লৌগদবা চেকশিন-থৌরাংশিং পূম্নমক ভেক্সিন কাপফমদুদগী হংলগা খঙদোকপা য়াই। হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা কোরোনাগী ফীভমসিগা হায়রবদি মালেমসিগী মীপূম খুদিংমকসি, কোরোনাভাইরস ঙাকথোক্লবগী ভেক্সিনসি কাপথোকহৌবনা চুমগনি খল্লি। কাপথোকহৌদবনা কোন্না নীংঙম্মক্তবা কয়ামরুমসু থোল্লককপা য়াই। তৌবতদি, ভেক্সিন কাপত্রিঙৈগী মমাঙদা, ইশা-ইশাগী হকচাংগী ফীভমদা চিংনবা য়াওরগদি (ভেক্সিন কাপফমদা ওইরসু) দোক্তরগা হান্না তানবীহৌবনদি খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

হৌজিক-হৌজিকসি কোরোনা লাইচৎসিনা মপা লৈতনা কনখৎলিঙৈ মতম ওইবনা, মীপূম খুদিংমক্লা লাইচৎসিগী মরমদা ঙাক্তা ঙাঙনৈ অমসুং নৈনৈ। অদুম ওইনমক, লাইচৎসিগী মরমদা হেঞ্জিনবা ৱাফমশিংদি কনাগুম্বনা কৈদৌঙৈদসু খক অতোপ্পশিংদা হায়বীরোইদবনি অমসুং সোসিএল মীদিয়ানচিংবদসু অপলোদ খক তৌবীরোইদবনি। ইরমদমসিগী মীয়াম পূম্নমকসি হৌজিক-হৌজিকমক, লায়নাসিগী মরমদা সাইকিক (হেঞ্জিন্না খঞ্জিন্দুনা অকি-তুজুংবা পোকপা) ওইদুনা লৈনরিবনি। ফীভমসিদা কনাগুম্বনা লায়নাসিগী মরমদা হেন্না শাথীবা ফীভমশিং, ফোটো নৎত্রগা ভিদিও ক্লিপ্পিংশিং উৎশিনবীবা নৎত্রগা পাউ ওইনা তমশিনবীবা থোক্লবদি, মদুনা হান্না সাইকিক ওইদুনা লৈরবা মীয়ামসিদা অমুক্কসু হেন্না শুংশোয় শোয়দনা পাখৎহনগনি অমসুং করিগুম্বা কান্দা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং ফাওবা থোকহল্লকপসু য়াই। লাইবক থীরিবদি, লমদমসিদা অসিগুম্বা পাউশিং নৎত্রগা ফোটোশিং অমদি ভিদিও ক্লিপ্পিংনচিংবশিংসিদা হেন্না ঙাওজবা মীওই কয়ামুক, ঐখোয়গী ইরকসিদা লৈ। হন্দক্কী ফীভমসিদদি ঐখোয় খুদিংমক হীরম খুদিংমক্তা চেকশিনমিন্নহৌবা মথৌ তাই। কোভিদ-১৯গী লায়নাসি, পাখৎমিন্নদনা, ঈংনা-তপ্না, ৱাখল ফাথনরগা লন্থেংমিন্নবা নত্তনা, লায়না মখলসিবু তাইবঙ মীওইবনা কৈদৌঙৈদা খক তরায়-তরায়না মায়থীবা পীবদি ওইথোক্লোই। অদুগা ঐখোয়সু, হেঞ্জিন্না তহারিবনি হায়দুনা করিগুম্বা কান্দা খক মাস্ক উপ্তুনা ইমুংদগী মপান থোক্লোইদবনি। মীতোপ্না পীরম্বা পোৎ-চৈশিং, পৈশা ফাওবা য়াওনা নিংথিনা সেনিটাইজ তৌথোক্তনা কৈদৌঙৈদা খক লৌশিল্লোইদবনি অমসুং তোয়না খূৎ-শা হামদোকপগী হৈনবী থমগদবনি। মী অমগা মী অমগগী মরক্তা য়ারিবমখৈ সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপগী থৌদৌসু চপ চানা ইনগদবনি। এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপসিনা ঐখোয়বু তমথীরবা কোরোনাভাইরস লাইচৎকা লান্থেংনরিবা লান্মী অমমম ওইহনবদা মতিক চপ চাগনি। তশেংনা তমথীরবা লায়না-লাইচৎসিদগী ইশা ঙাকথোকচনবগীদমক অতৈ পান্থে লৈতে খঙলবনিনা, ঐখোয় অৱৈবা পান্থে খরসিদি চেকশিন্না অমসুং শোয়দনমক ঙাক্লা চৎফম থোকই। মতাংসিদা অমুক্কসু পন্নীংলিবদি, অসুক তমথীরবা লায়নাসিগী মরমদা মালেমসিগী মীয়াম পূম্নমক্লা অসুক কন্না কিনরবা মতমসিদা, ইরমদমসিদা কনাগুম্বা মীওই খরনা, মরীন ফবা শাদুনা, এস ও পিশিং অমত্তসু ঙাক্তনা, অসুক্কী মতিক থওই-ৱাওইদনা লৈথোক্লবগী মওংসু থেংনরি। মখোয়সিননি কোভিদ-১৯বু মালেমসিদগী খক হলহনখিদ্রিবসি। শাউনীংলিবসি মখোয়দনি, মখোয়ননি মালেমসিদা কোরোনাগী খোঙদাফম পীদুনা য়োকখৎলিবসি। মখোয়সি, কোরোনাবু য়েক্লবা ওইনা লান্থেংনরিবা ঙসিগী মালেমসিগী মীয়াম পূম্বগী য়েক্লবনি হায়দবা ঙল্লোই। মখোয়বু মালেমসিগী মী নৎত্রবরা? মালেমসিগী মীয়াম্না লায়নাসিগী মরমদা অসুক য়াম্না, নাকোং শিংজা য়ৈবা মখৈ ঙাঙনরিবসি মখোয়না নোংমতা তাদ্রিব্রা? অপংবা মখোয়না খঞ্জরিবা, "ঐখোয়গী হকচাং শারকপদা অকিবা মচেৎ অমা ফাওবা য়াওরক্তে" হায়বদুনদি, লায়নাসিদগী মখোয় মশা ফাওবা কঞ্জহৌবা খক ঙল্লোই। ঐখোয় পূম্নমক কোরোনা লায়নাগা মরী লৈননা, এস ও পিশিং খুদিংমক অমত্তা চিংখদনা চপ চানা ঙাকমিন্নসি।

ইন্দিয়াদা ঙসিমক ওইরিবা কোরোনাভাইরসকী অনীশুবা ৱেবসিগীদমক, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মাঙজৌননা লায়নাসিগী মরমদা অখঙ-অহৈশিং তানহৌদুনা চেকশিন-ৱাশিং লৌহৌদ্রবসু অমদি মশা মতোমতনসু মতম চানা চেকশিন-থৌরাংশিং পায়খৎহৌদ্রবসু, ইন্দিয়াগী মীয়াম ওইরিবা ঐখোয় পূম্বনদি লায়নাসিগীদমক হোৎনবা য়াবা খুদিংমক হোৎনমিন্নগদবনি। হৌজিক্তি লায়নাসিগী মরমদা ঐখোয় পূম্নমক্লা খঙফম থোকপা অমসুং তৌফম থোকপা খুদিংমক্তু অমত্তা চিংখদনা খঙনরবনিনা, খঙনরিবা পূম্বসি অমত্তা চিংখদনা এপ্লাই তৌমিন্নরসি। করিগুম্বদা শোয়বদগী ঐখোয়দা লায়নাসিনা নাহল্লকপা থোক্লবসু, লমদমসিদা ঐখোয়গী লায়েংফম মতিক চানা লৈতে। হৌজিক-হৌজিকমক ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বদা লায়নাসিনা নারবা অনাবশিং লায়েংনবগীদমক বেদ মশীং কোন্নদ্রি অমসুং লায়না মখলসিবু লায়েংবদা তঙাইফদনা চঙগদবা হীদাক-লাংথকশিংসু লৈবাকসিগী লায়েংশঙশিংদা মতিক চানা লৈত্রি। অমুক্কা হেন্না লুরিবনা, হন্দক্কী অনীরকশুবা কোরোনাগী ৱেভসিনা নাহনবা পেসেন্ট অয়াম্বদা ওক্সিজেন মতিক চানা সপ্লাই তৌবীবগী মথৌশিং তানরি। ফীভমসিদা হৌজিক-হৌজিকমক, ইন্দিয়াগী অয়াম্বা লায়েংশঙশিংদা অনাবদা সপ্লাই তৌনবা ওক্সিজেন গ্যাস মতিক চানা অমত্তসু লৈনদ্রে। কোরোনাগী অনীশুবা ৱেভনা নারকপা অনাবা খুদিংমক লায়নাসিনা নাবগী থওইনবু কিনদ্রে, ওক্সিজেন গ্যাস ফংলরোই খনবগী অকিবনা হেন্নবু লূম্নখ্রে। ফীভমসিদবু, ইন্দিয়া লৈঙাকসিবু মতৌ করম্না তুংগী পোমিৎ উবা, শিন্দোক-শিঞ্জিন হৈবা লৈঙাক অমনি লৌনগদৌরিবনো? ফীভম য়েংলগা হায়বনি, থওই-উশিত্তবগী ৱাফম লৈজদে। মীওইবনা থৱায়গা শিন্নবা য়াবা পোফম অমা ফাওবা ঙসিগী মালেমসিদা খক লৈফম থোক্তে। ঙসিদি, শিন্থোং খজিক্তং খঙহৌদবদগী ইন্দিয়াদা, ইন্দিয়া মীয়ামগী থৱায় পূম্নমক কোরোনা লায়নানা ইরায় লায়না লাকশিল্লক্লি। ফীভমসিদা পেল্লমগদবা ইন্দিয়ানবু কনানো? লৈরমগনি থাজদে, হংলুবা খুদিংমকসু শাওরক্কদবা মাল্লি।

অমবু ওইরো, অমবু ওইরো, পেন্দবা হায়বসিদি মীওইবা ওইনা পোল্লবদি লৈনবা ঙাক্তনি। ঙাইহাক লৈতনা মীওইবা খুদিংমক ঙাকথোক-ঙাকশিন তৌনরিবা পূম্বনি। অদুবু, মহৌশানা খুদিংমকসি থৱায়গা মন্তিক্লবা পোফমশিংদদি অয়াম্বনা য়ানগন্দে। ঙাকথোক ঙাকশিন তৌনবনা খক পেন্থোক্লবা ঙম্নরক্তবা কোঙ্গায়নি। অদুম ওইনমক, হন্দক্কী মালেমসিদা লাক্লিবা হান্না শকখঙলমদবা, কোরোনাভাইরস লায়নাগী মহীক, কোভিদ-১৯ হায়বসিদি খজিক্তংদি হেনমল্লি। তৌববুদি কোলেরাসু মতম অমদা, মতৌ করম্না লায়েংগনি খঙনদ্রিঙৈ, কোরোনাদগী মানা হেন্নবু শাথীরম্বসু য়াই। ঐখোয়না ঙসিগী মালেম ফম্বাকথকসিদা, কোভিদ-১৯বু মতৌ করম্না মুখৎখিদগে নৎত্রগা মথৌ তৌহল্লোইদগে হায়বসি খঙদ্রিবনা, মশীং থিঙমদ্রবা মীয়ামগী থৱায়শিং মন্তিক্লরকপদা ঐখোয় অমগা-অমগা ৱারৌনবদি হৌনশানি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।